# পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং চেলসি মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল অনীশুবা লেগকী মেটচ মায়থীরবসু সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



পেরিস/সিভিল, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): য়ুরোপকী ওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী ২শুবা লেগকী মেটচশিংদা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইংলেন্দগী চেলসি মখোয়-মখোয়গী লম্বা ওইখিবা ক্লবশিংগী মখূৎতা মায়থীবা নংলবসু মখোয়না অহানবা লেগতা ফজবা হেনখিবদগী এগ্রিগেটতা হেন্দুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পেরিস সিটিদা লৈবা পার্ক দেস প্রিন্সেস ষ্টেদিয়মদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা য়ূম্বু ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকক্কা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াই, ক্লব অনী অসিনা থা অসিগী ৭তা বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ এরেনাদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগ অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মখোয়বু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা পেরিস সেন্ট জর্মেনদগী পাঞ্জল ২ হেন্দুনা থোইদ্রবদি মখোয় সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্লোইদৌরিবনি। অমরোমদা, পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী মেটচ অদু দ্রো চৎলবা নৎত্রগা পাঞ্জল ১ হেল্লগা মায়থীবা নংলবসুমখোয় সেমীফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল লৈরবনি।

মেটচ অদু লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নবা ঙমখি। পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শরুক য়ারিবা মমিং লৈরবা ব্রাজিল মচা নেমার জুনিয়রগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অনীদা মহাক্না কাওশিনখিবা বোল অদু বেয়র্ন ম্যুনিককী গোল পোষ্টতা পাল্লগা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদবনি। অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী এরিক মেক্সিম মোটিংনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা বেয়র্ন ম্যুনিককী অনৌবা সেমীফাইনেল য়ৌবগী মমি তাহনখি।

অনীশুবা হাফতা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ফনা কন্না তকখায়রবসু পেরিস সেন্ট জর্মেনগী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবদগী মেটচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল ১দগী হেনখিদবা মরম্না টিম অনী পাঞ্জল ৩-৩ লৈনরবসু পেরিস সেন্ট জর্মেননা অৱে গোলদা মশীং হেনবদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিমক্কী স্পেনগী সিভিল সিটিনা ন্যুট্রেল গ্রাউন্দ ওইরগা পোর্টুগালগী পোর্টো অমদি ইংলেন্দগী চেলসিগী ২শুবা ক্বার্টর ফাইনেল লেগ শান্নখি। টিম অনীনা থা অসিগী ৭তা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল লেগতা পাঞ্জল ২-০দা চেলসিনা থোইখি। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাংগী মেটচ অদুদা পোর্টোনা চেলসিবু পাঞ্জল ৩ হেল্লগা থোইবগী তঙাইফদবা লৈখি।

চেলসিগী মায়কৈদগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অদুদগী পাঙ্গল তাদনা শান্নবা ঙমখি। পোর্টোনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মেটচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী অপীবা মতম অদুসু টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নখিদবদগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা পোর্টোগী মায়কৈদগী তারেমিনা পাঞ্জল ১খক চনখি। অদুবু এগ্রিগেটতা চেলসিনা পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং জর্মনগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ লোয়ননা ইংলেন্দগী লিভরপুল অমসুং স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ শান্নগনি।

# ‘টোকিও ওলিম্পিকক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দবল দিজিটকী মেদল ফংগনি’



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দবল দিজিটকী মেদল ফংবা ঙমগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা চাওনা থাজবা থল্লি।

ঙসি কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা শেম শাবগীদমক্তা চঙগদবা পোৎলম পূম্নমক অমদি মতেং পূম্নমক মতীক চানা পীরবনি। হৌজিক্তি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মতম কুইনা নীংশিংদুনা লৈগদবা গেমস অমা ওইহনবগী মথৌদি শান্নরোয়শিংগী খূৎতা লৈরে হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অদুদি শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবদা চঙগদবা মচাক পূম্নমক ৱাৎতনা পীবা অদুনি। শান্নবগী ইক্বিপ্টমেন্ট খক্তা নৎতনা কোচ, ট্রেনিং ফেসিলিটি লোয়ননা ইন্টরনেসনল এক্সপোজরগী লৈরিবা কয়াৎ পূম্নমক পীরিবনি। ৱাফমশিং অসি মহাক্না ঙসি টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা কাউন্ট দাউনগী নুমীৎ ১০০নি য়ৌশিল্লকপদা ৱেবিনারগী খূত্থাংদা ভর্চ্যুএল ওইনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না শান্নরোয়শিংদা পীবা পাউজেলদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পূম্নমক হায়রকপা মখৈ অৱাৎপা লৈতনা পীরিবনি। হৌজিক্তি চহী ৪/৪ খূদিংগী ওইনা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখোয়না অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা গেমস অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা মেদল য়াম্না ফংলকপা গেমস অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

নুমীৎ ১০০নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা শান্নরোয়শিংনা মখোয়না হান্না শেমদোক্তুনা লৈরবা প্লানশিং অমদি কোচশিংনা পীরিবা সেদ্যুল্ডশিং অমদি ট্রেনিংশিং অদুদা মায় ওনশিন্দুনা হোৎনবগী মতম অদু ওইরে। অদুবু হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অমা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা পীরিবা প্রোটোকোলশিং অদু য়াম্না চেকশিন্না ইনগদবনি। ওলিম্পিকক্তা ইন্দিয়াগী মরুওইবা থৌদাং লৈহনগে হায়রবদি মেদল য়াম্না শান্নরোয়শিংনা ফংবগী মথৌ অমা লৈরি হায়খি।

# য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী প্রি-ক্বার্টর য়ৌখ্রে



কাইলি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): পোলেন্দগী সিটি কাইলিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ওইবা য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পুনম অমসুং ভিনকা মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পুনমনা কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগোরিদা কলন্বীয়াগী বোক্সর ভালেরিয়া মেন্দোজাবু য়াম্না হেন্দুনা ৫-০দা থোইরগা প্রি-ক্বার্টর য়ৌখিবনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা মথংগী রাউন্দদা হঙ্গেরিগী বোক্সর বিতা ভর্গাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিনকানা কিলোগ্রাম ৬০গীদা শরুক য়ারকপদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী রসিয়াগী দারিয়া পান্টিলিভাবু ৩-২দা থোইদুনা মহাকসু প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা মথংগী রাউন্দদা কজাখষ্টানগী বোক্সর ঝুলদিজ সয়াকমেটোভাগা থেংনরগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ২০না শরুক য়ারি। মদুদা ২০১৯ এসিয়ন য়ুঠ চেম্পিয়ন মণিপুর মচা নাওরেম বেবীরোজিসনা (কেজি ৫১), সনামচা চনু (৭৫), অরুনধাতি চৌধরি, গিটিখা, আর্সি খানম, নিশা, অলফিয়া পথান অমসুং খুশি য়াওরি। নুপাগীসু বোক্সর ১০না ৱর্ল্ড য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা য়াওরি।

# রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু আই পি এলগী ৬শুবা মেটচ রন ৬তা থোইখ্রে



চেন্নাই, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা লৈবা এম এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৬শুবা মেটচতা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু রন ৬তা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৯ খক লৌখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং দেবদট পলিকলনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মখোয়গী পার্টনরশিপ কা-হেন্না ফজখিদে। রন ১৯ শুরকপদা পলিকল মশাগী রন ১১দা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকপা সেবাজ অহমদ রন ১৪দা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেল অমদি ভিরাট কোহলিনা ৩শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা টিমগী অপূনবা স্কোর অদু ৯১ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। ভিরাট কোহলি বোল ২৯দা রন ৩৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মেক্সৱেলনা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা রন লৌবসু ঙমখি। মখা তাবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মেক্সৱেল ইন্নিংসকী অরোইবা বোলদা রন ৫৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ৪১ মায়োক্লবদা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৫ য়ৈখি।

মায় পাক্নবা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ১৫০ লৌগদবা অদু ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১৪৩ খক লৌদুনা মেটচ অদু মখোয় রন ৬তা মায়থীবা নংখি।

টিম অদুগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ওপনর শাহ রন ১দা আউট ওইখি। অদুবু দেবিদ ৱার্নর অমদি মনিশ পান্দেনা ইন্নিংস অদু ফজনা পুখৎলক্তুনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৯৬ য়ৌহল্লকখি। ৱার্নর বোল ৩৭তা সিক্স ১গা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং মনিশ পান্দেসু বোল ৩৯দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৮দা আউট ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা ফজবা ৱাৎখিবদগী রন ১৪৩দা ইন্নিংস লোইশিনখিদুনা সনরাইজর্স রন ৬তা মায়থীখি।

# প্রেক্টিস মেটচতা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অর্জেন্টিনানা থোইখ্রে

বুইনোস আইরেস, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): থা অসিগী ১১ অমসুং ১২দা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা অর্জেন্টিনানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা প্রো লীগকী মেটচ অনীমক থোইখ্রবা মতুং ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রেক্টিস মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।

ইন্দিয়ানা প্রো লীগকী হোক্কী মেটচ অনীগী মনুংদা অহানবা অদু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা লৈখ্রবা মতুং পেনাল্টি শুট আউটতা ৩-২দা থোইখিবনি। মদুগী মখা তানা শান্নখিবা প্রো লীগকী অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না হেন্না ফজবা ঙমদুনা অর্জেন্টিনাবু ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

প্রো লীগকী মেটচ লোইখ্রবা মতুং ঙরাং অর্জেন্টিনাগা শান্নবা প্রেক্টিস মেটচশিংগী মনুংদা অহুমশুবা মেটচ অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা হৌরকপদা ফজবা ঙমখি। মেটচ অনী থংন-থংননা মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা প্রেক্টিস মেটচ অদুসু মখোয়না মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈখি। ফোরৱার্দ ললিট উপধ্যায় অমসুং রাজকুমার পালনা অর্জেন্টিনাগী হাফ লাইনদা বোল কয়ারক হন্না পুশিনবা ঙমখি। অদুবু অর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিং অদুনা ইন্দিয়ানা ঙন্না পাঞ্জল চন্দনবা হোৎনবদা নীংথিনা শান্নবদগী পাঞ্জল চলহন্দবা ঙমখি।

অর্জেন্টিনাগী কাউন্টর এটেক অমদা শুপ্নগী শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী লুকাস টোস্কানিনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ২শুবা ক্বার্টরদা অর্জেন্টিনাগী অহেনবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা কিপ্পর কৃষন পাথকনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা অহেনবা পাঞ্জল কয়া ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা ঙাকথোকপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম শোত্থখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

# ৱিমেন্স নেসনল বোক্সিং কেম্পতা মীওই ২১ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরক্লে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): ন্যু দেল্লীদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা এলিট ৱিমেন বোক্সরশিংগী ওইবা নেসনল কোচিং কেম্প পাঙথোক্লিবা অসিদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নুপীগী বোক্সিংগী হাই পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর রফেল বর্গামাস্কো অমসুং হেদ কোচ মহমদ অলি কমার য়াওনা পর্সনেল ২১ পোজিটিভ ওইরক্লে হায়না সাইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবা নুপী বোক্সরশিংগী মনুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা বোক্সর অমত্তা য়াওদে হায়না ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা সাইগী মায়কৈদগী হাই পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর অমদি হেদ কোচ অদুগী মমিং নৎতনা অতোপ্পা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা নুপী বোক্সরশিং অদুগী মমিংদি ফোঙদোকখিদে।

অমরোমদা, টিম অদুগা নক্লনা লৈবা পাউগী লীখুন অমনা কোচিং ষ্টাফকী মেম্বর খরসু পোজিটিভ ওইবা অদুদা য়াওই হায়রি।

সাইগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা পোজিটিভ ওইরবা কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা পর্সনেলশিং অদু এসিমটোমেটিক ওইবা ঙাক্তনি। অদুবু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী প্রোটোকোলগী মতুংইন্না মখোয় পূম্নমক ক্বারন্টিন জোনদা থমখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, ওলিম্পিক্কীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা বোক্সরশিং অমদি টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপা কেম্পতা য়াওরিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি ন্যু দেল্লীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা সেফ জোন ওইবা মফমদা থমখ্রে হায়রি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শন্দোরক্লিবা অনৌবা কোভিদ-১৯গী ৱেভ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইরি। পাউগী লীখুন অসিনা মখা তারদুনা, এসিষ্টেন্ট কোচ খরা য়াওনা চীফ কোচ অলি কমার অমসুং হাই পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর রফেল পোজিটিভ ওইরকপনি। ওলিম্পিক্কীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা বোক্সরশিংনা মখোয়গী স্প্যেরিং পার্টনরশিং পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপশিং অদুগা নকশিন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনদুনা মখোয়সু য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিল্লি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা ট্রেনিং লেপ্তুনা লৈরি।

টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপী মরি অদুদি মেরি কোম (কেজি ৫১), সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬০), লোভলিনা বোর্গোহেন (কেজি ৬৯) অমসুং পুজারানী (কেজি ৭৫)নি। পনবা য়াই, সাইনা চয়োল ৩গী ওইবা ভেকেসনসু পীবা লৈখ্রবনি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর আশু ব্রোঞ্জ মেদল প্লেওফতা মায়থীহৌরে

অলমাটি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): কজাখষ্টানগী কোনুং অলমাটিদা পাঙথোকপা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর আশু ব্রোঞ্জ মেদল প্লেওফতা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী আশুনা কিলোগ্রাম ৬৭কী গ্রেকো রোমান কেটগোরিদা ঙসি ইরানগী রেষ্টলর হোসেন নাস্রোলা অসাদি কোলমাটিগা লম্বা তৌনখি। বাউট অদু হৌবদগী হৌনা ইরানগী রেষ্টলর অদুনা হীরম খূদিংমক্তা ফজবা হেনখি। বাউট অদু লোইশিল্লকপদা ইরানগী রেষ্টলর অসাদি কোলমাটিনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর আশুবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৯-০দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকপা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা আশুনা কোলমাটিবু মায়থীবা পীরগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। মদুগী লমন শিংবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

আশু ব্রোঞ্জ মেদল প্লেওফতা মায়থীহৌবদগী ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াখিবা রেষ্টলরশিংনা ঙরাং অহৌবা নুমীৎ লোইশিনবা ফাওবদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অমত্তা ফজবা ঙমখিদবদগী অহৌবা নুমীৎ লোইশিল্লকপদা মেদল টেলিদা ইন্দিয়াগী অমত্তা য়াওখিদে।

কিলোগ্রাম ৭৭কী কাঙলূপ্তা গুরপ্রিট সিংহনা মহাক্কী ব্রোঞ্জ মেদল প্লেওফতা কির্গিষ্টানগী কাইরাটবেককী মখূৎতা পোইন্ট ০-৫দা মায়থীবা নংখি। নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৩দা ইন্দিয়াগী নীরজ সাউথ কোরিয়াগী হানজে চুংগী মখূৎতা টেক্নিকেল সুপরিওরিটি লৈখিবদগী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নীরজ সাউথ কোরিয়াগী হানজে চুংগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। সুনিল কুমার অমসুং নবিন কুমারসু কিলোগ্রাম ৮৭কী কাঙলূপ অমদি কেজি ১৩০গী কেটগোরিদা মায়োক্লবা লম্বাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# জপানগী মাটসুয়ামা সিটিদা ওলিম্পিক টোর্চ রিলে অদু কোভিদকা মরী লৈননা কেন্সেল তৌখ্রে : গভর্ণর

টোকিও, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): জপানগী নোংচুপথংবা সিটি অমা ওইরিবা মাটসুয়ামা সিটিদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টোর্চ রিলে য়ৌরক্কদবা অদু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ হেনগৎলকপদগী কেন্সেল তৌরে হায়না মফম অদুগী গভর্ণর টোকিহিরো নাকামুরানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না লেপ্নরিবা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্ল মগদবা ওলিম্পিক গেমস অদু য়ৌগদবা নুমীৎ ১০০নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা জপান অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং কা-হেন্না হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা মফম অদুদা টোর্চ রিলে অদু পাঙথোক্লরোই হায়রকখিবনি।

গভর্ণর টাকিহিরো নাকামুরানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিককী টোর্চ অদু সিটি অদুদা য়ৌবা মতমদা অচম্বা ভাবোক অমত্তা য়াওহন্দনা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। সিটি অদুদা লৈরিবা ইমর্জেন্সি মেদিকেল সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপা অসিনা অকনবা প্রেসর মায়োক্লুরি হায়খি।



গভর্ণর নাকামুরাগী ৱারেপ অদু টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু অয়াবা ফংলে হায়রি। অদুমকপু কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী ঙসিগী ওইনদি চেরোল থাদোরকপা লৈত্রি।

নীংশিংবা য়াই, টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টোর্চ রিলে অদু ফুকুসিমা সিটিদগী মমাং থাগী ২৫দগী হৌখিবনি। লোয়ননা লৈবাক অদুগী ওইনা গোল্ফকী দিসিপ্লিনদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় হিদেকি মাটসুয়ামাগী পোক্লফম ওইরিবা মাটসুয়ামা ফাওদুনা টোর্চ অদু এপ্রিল ২১দা য়ৌরক্কদবনি। মমাংদা সিটি কয়াদসু ভাবোক য়াওদনা রিলে পাঙথোকখি।


SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN / FOUNDATION COURSE (2021/22)
CLASS X & XII
(Science, Arts, Commerce )
BOSEM / COHSEM & CBSE
General Foundation cource
SSC, BANK PO, NDA, CDS, SBI, IBP, other compititive exam, NEET, JEE
Subject All duration 5 & 6 months - Available van & hostel (Morning & Evening)
Start on 21 April & 10 May 2021 ## 7830999192 / 03857966211
HL-P/8727/9.11

EMPLOYMENT NEWS
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490
OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM
HL-P/6855/14-30 days alt


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com